# জে এ সিনা লম্বী থিংখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর২৮,

লিল্লোং ঙাঙৌ লৌকোলদা চহীসিগী এপ্রিল ৭ তা মীহাৎ থিনা হাৎলগা হুন্দোক্লম্বা এমদি নাওসাদ মীশিগা মরী লৈননা মীহাৎ অদুদা চেন্নবনি হায়বা ক্ষেত্রিগাও মখা লৈকাইদগী এমদি ইজিগী য়ুমদা মীয়াম থোমজিল্লুবদা নোংমৈ কাপথোরকপদা মীওই কয়া শোকখিবগা লোয়ননা সদাম কৌবা নহা অমা মৈনা চিংদুনা শিখিবদগী শেমখিবা জে এ সি না ঙসি মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা থম্বালখোঙ থোঙখোংদা লম্বী থিংবদগী পুলিসনা তিয়ার গ্যাস শীজিন্নদুনা তানখাইখ্রে হায়রি। পুলিসকী থৌওং অদু কন্দেম তৌরদুনা জে এ সি অদুগী কো-কনভেন্নর এমদি অজিৎনা মীহাৎ অদুদা চেন্নবা মীওই ফানবা হোৎনবগী মহুৎতা জে এ সিগী মীওই ফানবা পুলিসনা তান্নদুনা লৈরিবসি পেন্দে। মরমসিদগী জে এ সি না লাক্কদৌরিবা মীখলদা সরকার অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিং বোইকোদ তৌরগনি হায়খি।

# গঞ্জাগা কোন্ননা ৩ ফারে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর২৮,

লোকেল মার্কেটতা লুপা লাখ ২২ হেনবগী ওইগদবা গঞ্জা কেজি ৪৫০ গা কোন্না মণিপুরগী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৩ নাগালেন্দ পুলিসনা ফিসেমা গেটতগী ফারে হায়রি।

ট্রক্ট নঃ এন এল ১ এল-০৪৭৬ তা গঞ্জাশিং অদু পুদুনা লাকখিবনি অমসুং গঞ্জা মপুনি হায়বা সেনাপতিদগী লোলি রাপৈ, অশোক সোনোৱাল অমদি দেনিয়েল পাউমৈসু ফাগৎলে হায়না পাউ অদুনা মখা তারি।

# ইমর্জেন্সি মিতিং

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর২৮,

এমটুক অমসুং এম জি ও গী ওইনা লৈরিবা জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিলগী ইমর্জেন্সি মিতিং অমা মথং থা ওক্টোবর ৮ গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা বাপুপারাদা লৈবা জেসি অসিগী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি। কাউন্সিল অসিগা মরী লৈনবা মেম্বর পুম্নমক্না মতম চানা লাক্কুনা মীফম অদুদা শরুক য়াবিনবা জেসিগী প্রসিডেন্টনা খঙহল্লক্লি।

# শিরগা লৈরম্লে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর২৮,

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা তাঙজেংদা নহা অমা শিরগা লৈরম্বা থেংনবদগী মফম অদুগী মীওইশিংনা পুলিসতা পাউ পীরবা মতুং মশক মমিং খঙদোক্লবা জেনিমসকী মোর্গতা থৌবাল পুলিসনা থমখ্রে হায়রি।

ঙসি অয়ুক পুং ৭ লোম তাবদা মীয়াম্না থেংনরকপা অশিবা হকচাং অদুদা য়াওরম্বা ড্রাইভিং লাইসেন্সকী মতুং ইন্না মীওই অদু থোকচোম দিনেস কৌবা অমা ওইরম্বা য়াই হায়রি। মহাক ড্রগ ওর্ভর দোজ ওইবদগী শিখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

# গভর্ণমেন্টকী অনৌবা বীলদা জনুৱারী ২১, ১৯৭২ ফাওবদা লৈবা মী মখৈ য়েলহৌমী ওইদৌরি

ঙরাঙগী মখা...

3. (1) At the commencement of this Act, every Non-Local People entering the State shall register himself with the registration authority designated under sub-section (3) of this section. Registration of Non-Local People and establishment of registration centres and Issue of Pass

(2) For the purpose of sub-section (1), the State Government shall establish registration centres at such places as may be notified in the Official Gazette by the State Government from time to time.

(3) The State Government shall designate as many officers of the State Government as the registration authority at every registration centre.

(4) The registration authority shall, if he is satisfied that the Non-Local People is a bona fide citizen of India and is visiting the State, issue a Pass to the Non-Local People which shall be in his possession at all times, in such form and in such manner as may be prescribed, specifying his place of origin and the period of stay which shall not be more than six months from the date of issue:

Provided that the period of stay may be extended from time to time by the Deputy Commissioner of the concerned district:

Provided further that when a Non-Local People is denied a pass by the registration authority, he may make an application to the Deputy Commissioner concerned for redressal of his grievances and to enable such person to approach the Deputy Commissioner concerned for the purpose, a temporary pass may be issued.

*Explanation.— For the purposes of this section, a Non-Local People shall be deemed to be a citizen of India on production of his voter's identity card issued by the Election Commission of India or a ration card issued by a competent authority or such other documents as may be prescribed.*

(5) The registration authority shall maintain a register containing

6. Any owner who fails to furnish the names and particulars of the Non-Local People to the Deputy Commissioner concerned within the period specified in sub-section (2) of section 4 shall be punishable with fine up to a minimum of two thousand rupees but not exceeding five thousand rupees. Failure to furnish information

7. The provisions of this Act shall not apply to persons employed in connection with affairs of the Union Government, the State Government, Public Undertaking, and persons employed by a local authority or a body established by law with the approval of the State Government, persons holding constitutional and statutory position in the Centre and the States, leaders of recognized and registered political parties of the country, teachers, employees and students of educational establishments situated in the State, or such other persons as may be determined by the State Government from time to time, and their family members. Persons to be exempted.

*Explanation.— For the purpose of this section, production of a valid identity card issued by the concerned authority of the employee or the educational establishment or such other documents as may be prescribed shall constitute sufficient documentary evidence for such employment or studentship.*

8. The provisions of this Act shall be in addition to, and not in derogation of any other laws for the time being in force. Provisions to be in addition to existing laws.

9. No suit, prosecution or other legal proceedings shall lie against any officer of the State Government for anything which is in good faith done or intended to be done under this Act. Protection of action taken in good faith.

-to be continued...

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
TULIHAL, Imphal East, Manipur
*Ref. :- Mutation Case No. 167/SDC/T of 2016*
1.Puthem Hemchandra Singh S/O (L) Dharma Singh of Andro Mamang Leikai .
2. Puthem Suyamkesho Singh S/O (L) Dharma Singh of Andro Mamang Leikai .
***- Petitioners***
***-Vrs-***
Late- Puthem Pando Singh S/O (L) Dhamu Singh of Andro Mamang Leikai.
***- O. P.***

**NOTICE**
*Tulihal, the 28th Sept, 2016*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Tulihal Circle গী Village No.86-Andro গী Patta No: 339 (অরিবা) 620 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 1216 an area 0.56 acre of ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাস্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Tulihal Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎখগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।
*Sd/-*
**Sub-Deputy Collector,**
Tulihal, Imphal East, Manipur
*SL/1338(e)/29*

EMPLOYMENT NEWS
# থবক্কী পাও

## RITES recruitment 2016-17 notification 01 General Manager posts

RITES recruitment 2016-17 notification 01 General Manager postsRITES recruitment 2016-17 notification 01 General Manager posts :- RITES limited invites application for the position of General Manager vacancies on contractual basis. Applicants may apply online before 6th October 2016.
Name of post:- General Manager
Eligibility:- Degree in engineering
Job Location:- All India
Pay Scale:- Rs.51300 – 73000/- Per Month
Last Date:- 6th October 2016
Total No. of Posts:-01 Posts
Age Limit:- The age of the candidate is 55 years. The age of the applicant should be as on 1st September 2016.
Qualification:- Candidates should have first class degree in civil engineering.
Selection Procedure:- The selection of the candidates will be on the basis of written examination and personal interview depending on the number of applications received.

How to apply:- Candidates may apply online through official website of RITES limited http://rites.com from 15th September 2016 to 6th October 2016 and hard copy of online application along with self – attested photocopies of relevant documents / experience certificate and two recent passport photocopies send to the Assistant manager (P). Rectt, RIRES limited, RITES Bhawan,, plot no 1, sector-29, Gurgaon:-122001 on or before 17th October 2016.
Important Dates:-
Starting date for the submission of online application is 15th September 2016
Last date for the submission of online application is 6th October 2016.
Last date for the hard copy of online application is 17th October 2016.
General Instruction:-
The name of the company is RITES limited.
The name of the position is General Manager.
The posting of the applicant will be at All India.
Eligible applicants applying for the position of General Manager should have first class degree in civil engineering.
Only Indian national are eligible for this position.
The age of the eligible applicant applying for the position of General Manager is 55 years. The age of the applicant should be as on 1st September 2016.

## CRPF recruitment 2016-17 notification 743 Constable posts

CRPF recruitment 2016-17 notification 743 Constable postsCRPF recruitment 2016-17 notification 743 Constable posts :- Central Reserve Police Force (CRPF) invites application for the position of 743 constable (General Duty) and constable (Tradesman) vacancies through special rally system in district of Bijapur / Dantewada / Sukma and Narayanpur of Chhattisgarh state. Apply online before from 14th October 2016 to 24th October 2016.
Name of post:- constable
Eligibility:- 10th class
Job Location:- All India
Pay Scale:- Rs.5200 – 20200/- Per Month
Last Date:- 24th October 2016
Total No. of Posts:-743 Posts
Age Limit:- The age of the candidate should not be less than 18 years and should not be more than 28 years. The age of the applicant should be as on 1st August 2016.
Qualification:- Candidates should have passed 10th class standard examination board / matriculation class standard examination board or its equivalent from a board recognized by the Central or state government.
Selection Procedure:- The selection of the candidates will be on the basis of written examination and personal interview depending on the number of applications received.
How to apply:- Candidates may appear recruitment center along with prescribed application form along with two recent passport size photograph / copies of certificates at recruitment Rally.
Click here to view the advertisement
Like Govnokri.com on facebook to get updated towards latest jobs.
Important Dates:-
Date of recruitment rally is from 14th October 2016 to 24th October 2016.
General Instruction:-
Two sets (Degree certificate / age proof certificate / experience certificate etc.) application in plain paper super – scribing for the name of post applied and five passport size recent photographs.
Interview will be followed by medical examination.
Interested applicants may refer to our website www.crpf.gov.in or www.crpf.nic.in for full details.
Further, this office may also be intimated date and news-paper of Silchar city in which above advertisement is being published so that news-paper cutting of same be forwarded to the concern authority for needful please.

# মাধবী

*ডাক্তর কমল সিংহ*

## নুঙ অনীগী মরক্তা হা

পোৎ অমত্তং পীগদবদা মীনা উখ্রগব্রা হায়না চিংনরে। মরম অসিনা উরীরেগী পূক্লিংদা চিংনবা পোক্লন্দুনা খল্লকই, – "নুপীমচা ওইবা ঐনা করম্না ইথন্নতা চৎসিগে?" উরীরে খোঙ থাংদোকপা ঙমখিদ্রে। মতম অদুমক্তি মপা মমা অনীমক উরীরেগী মনাক্তা অমত্তা লৈত্রে। তাঞ্জা ফংলদুনা নুংশিবগী ঈচেন্না ইকায়বগী পল নমথেক্কুনা – থোক্লরবা হায়বা অদুনি মচৎলগে" হায়দুনা খোঙ থাংদোরক্লে, লমজাওদা মী হঙ্গৎ হন্দা চৎপা উরক্লে। অদু উরবদা খোঙথাং অমুক লেপখ্রে। লম্বী অহাঙবদা নুপীমচা ওইবা মহাক্না মথন্নতা লৈবা অদুসু অমুক চিংনরক্লে। উপায় লৈত্রদনা হৈবোকচীংলোমদা মমায় ওনখ্রে। মতম অদুমক্তি বীরেন্নে ধীরেন্নে অমসুং থিন্দোরকপা মরুপ– মপাং ময়ামগা লোয়নদুনা যাত্রা তৌখ্রে।

হৈবোকচীং অসি মহৌশানা অচীকপা মফম অমনি। চীং অসিগী চীংদোন্দা কাখৎলদুনা মরুপ–মপাংগা লোয়ননা থাপ্না চৎলিবা বীরেনবু চিংনা চিংনা য়েংজরকই। অতৎপা লৈতনা মীত্তগী পি শিল্পরকপনা বীরেনবু তশেংনা উবা ফংখিদ্রে – অদুগী মথক্তা লৈচিন– নোংফাইনা পানা কুপশিনখিবনা মশেন–মরাং উরক্লে। বীরেন্নদি অতৎপা লৈতবনিনা খরা খরা অসুম লাপথোকখ্রে। নুংশিবগী চেংলৌ শকফমবু শেংনা উদবা মরমদগী অৱাংবা চীংথক্তা কাখত্তু নমকসু খুনীং কাঙখৎলবী উরীরৈনা মীৎ কুপ্তুনা য়েংবা হৌরক্লে। য়েংনা য়েংনা বীরেন অদু অশংবা চীং অমগী চীংখোংঙ য়ৌখ্রে। উরীরৈ নুংশামপী ফুয়না হোল্লক্লে, মৈগী কুন্দদা চোংথবগুন্না ঙাইহাক্তং পোত্থাফম লৈখিদ্রে। উরীরৈ অদু পূক্লিংগী মৈচাক পুকুংগী মৈচাক পুকনুংদা ফুমদুনা থম্বা ঙমলক্ত্রে, খোঞ্জেল থোক্লা কপ্তুনা চীংমায়থক্তা ৱাম্থখ্রে। হে খাইনমৈচাক! অহিংনা থেংলক্লবা, মীনা চীক্লক্লবা, থাবন্না ফরক্লবা মতমদা অমদি লৈ–শূনা নীংথিনা শাৎকায়রবা লৈকোল মনুংদা অমদি মীচীক মীরাওখোল তাদ্রবা উমং মনুংদা নহাক্না নরৈ লীশিং অমা তমথোক্তুনা খাইনমৈচাক ফংলবা শাবী শানৌশিংগী থম্মোয় থুগাইদুনা ঈ চূপই, তৌইগুম্বসুং ইকায়বনা খুদুম চল্লিবা লমদমগী মনুংদদি নহাক্না চঙবা ঙমদে। অচীকপা মফমদা উরীরৈবু ফংলদুনা খাইনমৈচাক নহাক্না মাগী ঈ চুপ্পবোইদো।

মথং মথং ..

# চিঞ্জাক

*তেলেম যোগেন্দ্রজিৎ*

## চীঞ্জাক্কী মথেল

তোঙানবা মচাক অনীনা তিন্নরবা মচাক অনিসি মতম অমত্তদা হকচাংদগী থোরকপা তোঙান তোঙানবা মচাক অনীনা তুম্বা ঙম্বা হৌনদে। চনাংগী শরক্তি য়াদগী থোরকপা তিন্দা য়াওবা আলকেলিগী শরুক্লা তুম্বা হৌরক্লবদি অমসুং পুক্তা কুইনা লৈরোইদবনি। মরমদি চাকখাউদা থোরকপা গেষ্ট্রীক জুইস না তুমগদবা নত্তে, থীবোং মনুংদা কুমথরক্লগা পেনক্রিয়াটিক জুইস কৌবা মশিঙ্খাদগী থোরকপা মহীশিংগী পাম্বৈনা তুমগদবনি। মখোয় পুম্নমক অসিদি এসিডকা য়েক্লবা আলকেলি ঙাক্তনি। অদুগা শা, ঙা, হৱাই, নুং হৱাইনচিংবা প্রেটিনগী শরুক্লা নম্বা চীঞ্জাক্লা চাকখাউ মনুংদা থোরকপা গেষ্ট্রীক জুইসনা তুমগদবনি। গেষ্ট্রীক জুইসতি এসিডনি মরম অসিনা প্রোটিন অমসুং কার্ববহাইড্রেটকা তিন্ননা চামিন্নরবদি এসিডকা আলকেলিগা য়েমৌনদুনা মখোয় মখোয়গী ময়াই অদু মাঙমিন্নে। মরম অদুনা চাবা তুমদবা, মৈ শোনবা লায়না পক্লক্তুনা হকচাং শেমগৎপদা অপনবা মচাক অমা ওইহল্লকই। মরম অসিনা নপ–তিন চোগনবা, মৈ শোনবা মীনা প্রোটিন অমসুং কার্ববহাসড্রেটকা অমুক্তং দা তিন্নদুনা চামিন্নবা ফত্তে। মতাং অসিদা অয়াম্বনা য়েৎনীংগনি মদুদি মী অয়াম্বনা কার্ববহাইড্রেটনা নম্বা চাক, তলগা শা–ঙাগী এঞ্জাংগা চামিন্নে। অদুদা করি থোইদোকপা শোকপা উদে হায়না। তৌইগুম্বসুং চারীবা মীশিং অদুগী হকচাংদা পুন্সি য়োকপা অনাবা কোকহনবা ঙম্বা জীবনী শাক্তিগী ময়েং তাখি হায়বসি হকচাংগী ইতিহাস লৌদুনা য়েংলবদি শোয়দনা মাঙলমগনি হায়বদু খঙগদবনি। অদুগা অমুকসু য়েৎপিরকপা য়াই। কার্ববহাইড্রেটকা প্রোটিনগী অমগা অমগা য়েংথিনরবদি করিগীদমক্তা গেহু, হৱাইমুক, মঙ্গলনচিংবা মীওইবগী মরু ওইবা চীঞ্জাকশিং অসিদা করম্না প্রোটিনগা কার্ববহাইড্রেটকা পুন্না য়ান্ননা শেন্নক্লিবনো হায়না। মদুগী চপচাবা পাওখুম্না– মীওইবদগী হেন্না শিংলবা ঈশ্বরনা নৎত্রগা মহৌশা লাইরেম্বীনা য়েমৌনদনবা চাং য়েংদুনা য়াল্লক্লবনি। মীনা শেম্বনা অমা, লাইনা শেম্বনা অমনি। খুৎশেমদি মপুং ফাদে লাইশেমদি মীনা শেমদোক্লবা শারকপা নত্তে। মীনা শেম্বদি অয়াম্বা মফমদা লানগল্লি।

মরম অসিনা প্রোটিন্না চীঞ্জাকপু নাইতোম চাবা নত্তনা মথেল অনি অহুম তিন্ননাচাবা ফত্তে। মরমদি প্রেটিন্না নম্বা চীঞ্জাক মখল অনি চান্নিরবদি প্রোটিন্দি য়াম্না থুনা হূ ওনগল্লি। মরম অসিদগী শঙ্গোমগা ঙাগা তিন্নবা ফত্তে। ঙাগা হৱাই, লৈপাক হৱাই, নুং হৱাই, বাদামগসু তিন্নবা ফত্তে। তৌইগুম্বসুং য়ুবীবুদি ৱাখল অমদা লৌখৎলি।

মথং মথং ..

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
Keirao Bitra, Imphal East, Manipur
*Ref. :- Mutation Case No. 326/SDC/KBT of 2016*
1. Md. Abdul Majid S/O (L) Md. Hashmat Ali of Keirao Makting Menjor Ingkhol.
***- Petitioner***
***-Vrs-***
Late- Mahamad Hashmat Ali S/O Muhamdali of Keirao Makting Menjor Ingkhol.
***- O. P.***

**NOTICE**
*Keirao, the 28th Sept, 2016*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Keirao Bitra Circle গী Village No. ৫৪– তাখোক মখা গী Patta No: ২১৫ (অরিবা) ২৩৮/৫৭২ (অনৌবা) C.S. Dag Nos. ৯/৬২৩ an area ০.৩৩০০০ acre of Anganphou Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাস্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. K.B.T. Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎখগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।
*Sd/-*
**Sub-Deputy Collector,**
K.B.T., Imphal East, Manipur
*SL/1338(d)/29*

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
Keirao Bitra, Imphal East, Manipur
*Ref. :- Mutation Case No. 325/SDC/KBT of 2016*
1. Md. Abdul Matalip S/O (L) Abdul Ali of Keirao Makting Makha Leikai (Son)
2. Md. Abdul Wahid S/O (L) Md. Abdul Karim (Grand Son)
3. Md. Abdul Rasib S/O (L) Md. Abdul Karim (Grand Son)
***- Petitioners***
***-Vrs-***
Late- Abdul Ali S/O Kambrali of Keirao Makting
***- O. P.***

**NOTICE**
*Keirao, the 28th Sept, 2016*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Keirao Bitra Circle গী Village No.48-Keirao Bitra গী Patta No: 165 (অরিবা) 331 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 1191 an area 0.66000 acre of ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মচা অমদী মশুশীং অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাস্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. K.B.T. Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎখগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।
*Sd/-*
**Sub-Deputy Collector,**
K.B.T., Imphal East, Manipur
*SL/1338(c)/29*